থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# মীৎ উইশিনগুমসি, পাঙথোকসি

গুৱাহাতি'দা লৈবা ঐগী মরুপ অমনা, ঙরাং অয়ুক হ্বাতসএপকী খুথাংদা 'পিকচর' (ইমেজ) মরিখক থারকখি। মহাক্না থারকপা নুমীৎতুদা লন্দন সহরগী অতিয়াদা উখিবা শক্তম খরনি হায়। শক্তমশিং অদুদি- ঐখোয় মীওইবনা খুৎলোয়রবা জিসস খ্রাইষ্ট'কী শক্তম মানবা লৈচিল মপৈ অমগী তোঙান তোঙানবা শক্তমনি। অয়ুক পুং মরি মীনিট নিফুতরেৎ'তা লৌবা শক্তমনি হায়না থাই। মখাদসু মরন্নাই ওইবা ৱারোল অমসু ইরকই- 'হৌজিক্তি ঙাইহাক্কী মমাঙদা লন্দনগী অতিয়াদা উহনখিবা প্রভু যিশুগী অঙকপা শক্তম অমনি... মহাক লৈরি, ঈশ্বর লৈ হায়বদু মাবু নীংজবশিংগী মমাঙদা তরং তরং উহনবনি... থাজদবা তৌবীনু, শক্তম অসি নঙগী নক্লবা, খঙন-চান্নবা মরুপ-মপাং, মরী-মতা ২০ দগী তাদনা সেয়র তৌদুনা থাদোকপিখো, ঈশ্বরনা নঙবু চানগনি, মাগী থৌজাল ফংগনি, পাউজেল অদু থাখ্রবা পুং অমগী মনুংদা... পাউজেল অসি থওইদ্রবা চহী মাপল চুপ্না অৱাবা মায়োক্ক গনি, মাগী চৈরাক ফংগনি... কুইদ্রবনি প্রভু যিশু ইকুই কুইদনা ঐখোয়গী ইরক্তা লাক্লনি'...।

পাউজেল অসি থারক্লিবা মরুপ'তু খৃষ্টিয়ান নত্তে, পক্কা হিন্দু অমনি। মেঘালয়াদা, মিজোরামদা, বেঙ্গলোরদা খৃষ্টিয়ান মরুপ মশিং খঙদনা লৈ। মখোয় কনামত্তনা মেসেজ অসি থারত্তে। পাউজেলসিগী মমাঙদসু অসিগা হাইফেৎ মান্নবা পাউজেল মশিং খঙদনা থারকখ্রে। অসিগুম্বা পাউজেল য়াম্না তোয়না থাগনবা ঐগী মরুপ পাষ্টর অমসু লৈ। ঐনা মরক মরক ফাগি তৌই... 'মরুপ, নহাক্তি নহান্না মপুগী থৌজাল মপৈ মপৈ ফংবা য়ারবনি, মীওই লিশিং কয়াদনি নঙনা পাউজেল থারিবা, থৌজালগী মহুৎ চৈরাক ওইনা ফংব্রা করিনো, ফীভম ইফ-ফগৎলক্তেদা... নয়ুম ইংখোল ফাওবা য়োন্দুনা ভারাগী য়ুমদা লৈবসিবু হৌনবরা... ঐনা ৱারী'সিবুদি অসিগুম্বা পাউজেলসি থাজগন্দবদুগী মানা চৈরাক পীবনি হায়না লৌরসি, নঙবু ৱাহনবসিমদি ঐহাক শুকয়া য়ানিংদে'...।

হন্দক্কী পাউজেল'সিসু য়েংবীয়ু- ফোটোশিং অদু মরুপ-মপাং ২০ দা থারবদি যিশুগী থৌজাল লেপ্নমক হেক্তা ফংগনি, থওইদবা থোক্লগনা চহী মাপল চুপ্না চৈরাক পীগনি! 'সিবু তাবা য়ারিবরা? মাগীসি, মীবু কিহনবা অমসু য়াওরি- মাগী লাইনিং অসি থাজদবা মীদু অৱাফমদা তাগনি। অতৈদদি খঙদে, ঐঙোন দদি মাগী পাউজেল অসিনা কিহনবদি লায়রদনা শিংননিংবা অমদুম পোকহল্লকই- ঐবু অদুক য়াম্না পঙবা মী অমা ওইরমগনি খন্না অসিগুম্বা পাউজেল থারক্লিবা করিগীনো? মাগী চহী মাপলগী চৈরাক্তু ঐহাক ফংব্রা য়েংগে। লাইনিং লন্বী শন্দোকপবু অসুম্না শন্তে দাকপা হৌনবরা! জিসস খ্রাইষ্ট কৌবা নুপা অমা অদুঙৈ পোকখিবা, মানা তৌরম্বা মীওইবগী কান্নবা থবক, মানা শন্দোক্লম্বা কান্নবা পাউজেল পুন্নমক্তুদি লৌই ঐ। মাগী ফিদম্লিংঙাই ওইবা পুন্সিদুবুসু থম্মোয়সিদা থাগোন্নজে। মাগী মরমদা ইবা ৱারী খুদিং থৱায় চঙনা পাজে ঐ। অদুবু, অসিগুম্বা 'ননসেন্স', ৱাখল য়াওদবা ৱারী মখলসিদি তানিংদে ঐ। অতৈবুসু তাহন্নিংদে। য়েস! মাগী অশেংবা 'গোদলি ইমেজ' (লাইগী মানবা) মানবা শক্তম অদু অতিয়াদগী লৈচিল পোমায় হাংদোক্তুনা মালেমদা কুমথরকপদু মালেমগী মীয়ামদা উহন্নিংলবা! লন্দনগী অতিয়া খল্লুরিবা করিগী? মালেমগী মফম পুন্নমক্তা উহন্দ্রিবা করিগী? লন্দনগী মীনা মাবু নীংবা ওইবগী মফম অদু খল্লুবা ওইরগনা, ওকে! মফমদুগী মীয়ামদুবু থৌজাল পীবীরম্মু। নুংঙাই য়াইফহনবীরম্মু! মীহাৎ মীপুন থোকহনবীরনু। মাগী শক্তম অদু উহৌদবা মালেমগী মফম কয়াদা চোইনা চোইনা তারিবা মী অতৈদুবু চৈরাক পীদৌরিবা, চহী মাপন অৱা-ঈপাক্তা লংশিনগনি হায়রিবনা করিগী? অল্লাহ নীংবা কাংবুনবু মৱা অসি লৌবীগদ্রা? খ্বাইদই চাউবা, খ্বাইদই ঙম্বা অল্লাহনি হায়জরিবসিদা!

ৱারী অসি তাবদা অতোপ্পা থৌদোক অমা নীংশিংলকই। হৌজিক্তি তাইবংপান থাদোকখ্রবা 'সাই বাবা'না হিংলিঙৈ বাবাগী ভক্ত মশিং খঙদনা লৈরিবা ময়ামসিগী মরক্তা অমনা, মমিংদুদি হায়দোকচররোই চঙ চঙ লাউনা হিংলিবা ঈয়াম্বা অমনি, মানা নোংমা হায়রকখিবা... 'নোংমা য়াহৌরকপদা অয়ুক্কী সূর্যদেব খুরুম্বদা নুমীৎকী মমায়সিমক্তদা বাবাগী শক্তম অসি তশেংনা হেক্তা তরং তরং উবই ৱানি, অঙকপা দৃশ্য অমনি, নুমীৎতুদই ঐহাক মাগী ভক্ত ওইখ্রবনি... কোন্না তারকপনি, বাবাগী আশ্রম চৎলুবদা-নুমীৎতুগী পুংফমদুমক্তদা মালেমগী মফম পুন্নমক্তা লৈরিবা মীয়াম পুন্নমক্তা বাবাগী শক্তম নুমীৎকী মায়থোঙদা উহনখি'...। কয়া থাজনা লীরকখিবা! কয়াদা মান্না শেমখ্রবা! অশেন্বা ৱারীনি হায়রুবগী ঈয়াম্বদুনা ঐবু ৱারৌরি ঙসিফাও'।

অতোপ্পা ৱারী অমনা, চহী খরগী মমাঙদা, মণিপুরদা ফোঙবা পাউচেশিংদা তোয়না ফোঙনরম্বা এদভর্টিজমেন্ট কলম... 'তিরুপতিগী লাইশঙদা খঙহৌদনা লীন অমা (নাপী অমা) থোরক্লম্মী, খঙহৌদনা নাপী অদু বান্মন অমগী শক্তম লৌখ্রে অদুগা হায়রক্লম্মী... তাউ ঐনা হায়রিবসি ...... পাউ অসি থাজদবা তৌগনু, ঙসিমক পাউজেল অসি চেজায় ওইনা কপি চামঙা নম্লগা চাইথোকখো, নহাক্কী অফবা ওইগনি, থাজদবা থোক্লগা অৱাফমদা তাগনি... নুপা অমনা খুদক্তা নম্লগা চাইথোকখিবদা চিথিখেলা ফাওদুনা লাখপতি ওইখিরম্মী, অতোপ্পা নুপা অমনা থাজদদুনা লংথোক্লুবদা গাড়ী এক্সিদেন্ট থোক্তুনা খুদক্তা পুন্সি মাঙখিরম্মী'...।

পাউচেশিংদা এদভর্টিজমেন্ট ফী পীথোক্লগা ফোঙলিবদু কপি ৫০০ নম্লুবগী মহুৎনি। এদভর্টিজমেন্ট অদু নম্লুবদগী চিথিখেলা ফাওদুনা লাখপতি ওইখ্রে হায়বই পাউদুদি - ঈনা পঙনি তাখিদ্রি।

অকক্লবা লাইনিং অমদা মমিৎ উইশিল্লগা থাজবা থম্বা (ব্লাইন্দ বিলিভর) শিংগী মফমদদি অসুম্না ব্লেকমেল তৌবই থবকসি- থোক্লকখিনি তুংদসু। ঐখোয় মীৎ পাঙথোকসি।





লৌশিং পুক্কে

# নুংশা মঙাল ফংদবা মফমদা লৈবা মীওইশিং ব্লদ কেন্সর নারকপগী রিস্ক ৱাংনা লৈ

নুংশা মঙাল ইফং ফংদবা মফমদা লৈবা মীওইশিং ভিটামিন দি ৱাৎপগী খুদোংচাদবা মায়োক্লবগা লোয়ননা ল্যুকেমিয়া (ব্লদ কেন্সর) অমদি অতৈ কেন্সর মখল খরা নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ হায়বা হন্দক্তা নৌনা থিজিনবদগী খঙলে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়া, সেন দিগো স্কুল ওফ মেদিসিনদা প্রোফেসার ওইবা সেদ্রিক গার্লেন্দনা হায়খি, নুংশা মঙাল ইফং ফংদবা মফমদা লৈবা মীওইশিং ল্যুকেমিয়া নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ হায়বা খঙলে। মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ১৭২ দগী খোমজিন্দুনা দেটা নৈনরবা মতুংদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। ভিটামিন দি ৱাৎপদগী মীওই অয়াম্বা ল্যুকেমিয়া নারকপনি হায়রি।

ওষ্ট্রেলিয়া, ন্যুজিলেন্দ, চিলি, আইরনলেন্দ, কেনাদা অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকুম্বা নোর্থ পোল নৎত্রগা সাউথ পোল মনাক্তা লৈবা লৈবাকশিংদা ল্যুকেমিয়াগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। মসিগী মরুওইবা মরমদি নুংশা মঙাল ইফং ফংদবননি। অমরোমদা নুংশা মঙাল মরাং কায়না ফংবনিনা বোলিবিয়া, সামোৱা, মদগস্কর অমদি নাইজেরিয়াগুম্বা ইক্বেটর মনাক্তা লৈবা লৈবাকশিংদদি কেন্সর নাবগী চাং নেম্না লৈ।

গার্লেন্দনা হায়খি, নুংশা মঙাল ফংদবা মফমদা লৈবা মীওইশিংদি হকচাংনা ভিটামিন দি মরাং কায়না লৌশিনবা ঙমদে। মদুনা মরম ওইরদুনা ল্যুকেমিয়া অমদি অতৈ কেন্সর মখল খরগী রিস্ক হেনগৎহল্লি। নুংশা মঙালদা য়াওবা অল্ট্রাভাইওলেট রেদিয়েসননা উনসাদা য়ৈবা মতমদা হকচাংনা ভিটামিন দি মপুং ফানা লৌশিনবা ঙম্মী। ৱর্ল্ড হেল্ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী মখাদা ইন্টর্নেসনল এজেন্সী অমা ওইনা লৈরিবা গ্লোবোকেননা থিজিনবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি।

নুংশা মঙাল ফংদবা মফমদা লৈবা মীওইশিং কেন্সর নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই হায়বা ৱাফম অসি পি এল ও এস ৱান জর্নেলদা ফোঙলকখিবনি। নিংথমথানিনা নুংশা য়াইবা নুংঙাইবা মতাং ওইরি। ফৈজুপ মনুংদা হীপচিন্দুনা লৈবগী মহুত্তা নোংমগী ঙাইহাক- ঙাইহাক অয়ুক্তা নুংশা য়াইবনা হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পী।

অদুম ওইনমক মতম শাংনা নুংশা য়াইবসু য়াদে। মসিনা উনসা খুইহনবগা লোয়ননা স্কিন কেন্সর ওইহল্লকপা য়াই। অখঙ-অহৈশিংগী মোত মতুংইন্না নোংমদা মিনিট ১৫ রোম নুংশা য়াইগদবনি হায়রি।

নুমীৎ খুদিংগী ঙাইহাক-ঙাইহাক নুংশা য়াইরবদি হকচাংনা নুংশাদগী ভিটামিন দি অমসুং কেলসিয়ম লৌশিনবা ঙম্বা মরম্না শরুগী মপাঙ্গল কলহল্লি। মশলগী মপাঙ্গল কলহনবগা লোয়ননা থম্মোয়গী মীহুল চাং নাইহল্লি।


হকচাংনা ভিটামিন দি ৱাৎলবা মতমদা ওটোইম্যুন দিজিজ, কার্দিও ভাস্কুলর দিজিজ, ক্রোনিক ইনফ্লেমেসন, কেন্সর মখল খরা অমসুং দাইবেটিস নারকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকই।

ভিটামিন দিনা ইম্যুন সিষ্টেম কনখৎহনবা মরম্না হকচাংদা বেক্টিরিয়া অমদি ভাইরসনা ইনফেক্সন তৌরকপদা ইরায় লায়না ঙাকথোকপা ঙম্মী। অঙৈংবা অমসুং নুংশা মঙাল ইফং ফংদবা মফমদা লৈবা মীওই ৬ খুদিংগী মনুংদা অমদি সিজনেল এফেক্টিভ দিসওর্দর (এস এ দি) গী খুদোংচাদবা মায়োক্লে। অদুবু নোংমগী ঙাইহাক-ঙাইহাক নুংশা য়াইরবদি হকচাংদা সেরোটোনিন চাং হেনগৎহন্দুনা অহেনবা এন্দার্ফিন পুথোরকপদগী পূক্লিং-ৱাখল নুংঙাইহল্লি।

তোঙান-তোঙানবা ষ্টদিশিংগী রিপোর্টনা হায়রি, নোংমগী ঙাইহাক নুংশা য়াইরবদি ভিটামিন দি মরাং কায়না ফংবা ঙম্বা মরম্না দাইবেটিস, হার্ট দিজিজ, ওটোইম্যুন দিসওর্দর, ওবেসিটি, ইনফর্টিলিটি অমদি অতৈ খুদোংচাদবশিং খরমখৈ কোকহনবা ঙম্মী। নুংশা য়াইবনা লিভরগী মথৌ হেনগৎহনবা মরম্না জোন্দিস ফহনবদা মতেং পাংই। ইশম-শম্না হায়রবদা নুমীৎ খুদিংগী ঙাইহাক ঙাইহাক নুংশা য়াইবনা ক্রোনিক দিজিজ ২৫ হেন্না ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়রি।

নুংশা মঙালনা চৈনাখোল হন্থহনবা ঙম্মী হায়বগী মতাংদা রিছার্চরশিংনা হায়রি, নুমীৎ খুদিংগী চাং নাইনা মিনিট ১৫ রোম নুংশা য়াইবা মতমদা র্যুমেটোইদ অরথ্রাইটিসকী রিস্ক হন্থহল্লি। কনাগুম্বা মীওই অমা ওপরেসন তৌরুরবা মতুংদা চাং নাইনা নুংশা য়াইরবদি চৈনাখোল হন্থহনবগা লোয়ননা ওপরেসন তৌবগী লেনখিবা মফম থুনা ওইশিলহল্লি।

কনাগুম্বা তূম্বা য়াদবগী অৱাবা মায়োক্লরবদি নুমীৎ খুদিংগী চাং নাইনা নুংশা য়াইবা কান্নগনি। অয়ুক্তা মিনিট ১৫ রোম নুংশা য়াইরবদি নুমীদাং তূম্বা নুংঙাইহল্লি। কান্নবা ফনা য়াম্না ফংবা তারবসু হেঞ্জিনবা মওংদা মতম শাংনা নুংশা য়াইরবদি অমাঙ-অতা কয়া থোকহল্লকই। মরম অদুনা য়াম্লবদা নুমীৎ খুদিংগী মিনিট ১৫ রোমতমক নুংশা য়াইগদবনি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোকখি।





# এদ্যুকেসন, কলচর এন্দ সোসাইটি হায়বা হীরমদা ইন্টরনেসনল কনফরেন্স হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ টিচরস এদ্যুকেসননা শীন্দুনা এদ্যুকেসন, কলচর এন্দ সোসাইটি হায়বা হীরমসিদা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনল কনফরেন্স ঙরাং হৌদোকখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকখিবা হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এদমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহনা চীফ গেষ্ট; দিপার্টমেন্ট ওফ এদ্যুকেসন ওফ গ্রুপস ৱিথ স্পেসল নীদস, ন্যু দিল্লিগী ফোর্মর হেদ প্রোফেসর নীরাজ সুক্লা; দিপার্টমেন্ট ওফ ইলিমেন্টরি এদ্যুকেসন, এন সী ঈ আর টি, ন্যু দিল্লিগী প্রোফেসর ভিরেন্দ্রা প্রতাপ অমসুং স্কুল ওফ সোসল সাইন্স, এম য়ুগী দিন প্রোফেসর এন লোকেন্দ্রসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা জর্নেল সিংহনা হায়, কনফরেন্স অসিগী টোপিক ওইরিবা এদ্যুকেসন, কলচর অমসুং সোসাইটি হায়বা ৱাহৈ অহুমসি য়াম্না ৱাহন্থোক লৈ। মীওইবনা লৌশিং ফংলিবসি কোলেজ, য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা মহৈ তম্বদগীনি। ঐখোয়না মহৈ তম্লিঙৈদা ফংলিবা লৌশিং অসি নীংথিনা শীজিনন্নদুনা খুন্নাইদা অফবা থবক খরা তৌবা মথৌ তাই।

কনাগুম্বনা মহৈ তম্লুরগা খুন্নাইগীদমক করিগুম্বা কান্নবা থবক তৌরমদ্রগদি মহৈ তম্লুবগী কান্নবা ওইদে। অদুনা মহৈ নীংথিনা তমদুনা খুন্নাইসিদা অফবা, চাওখৎপা পুরক্লবা হোৎনগদবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা প্রোফেসর এন লোকেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, এদ্যুকেসননা খুন্নাই অমগী শেনমীৎলোন্দা অহোংবা পুরক্লি। মসিনা খুন্নাইসিনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অমসুং শেনমীৎ- লোনগী প্রোব্লেম কোকহনবা ঙল্লিবনি। লাইরিক লাইশু নীংথিনা হৈরবা মীওইশিংনা চাওখৎপা খুন্নাই অমা পুরক্লবা অফবা ৱাখল খনবা মথৌ তাই হায়খি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা সোভিনর অমসু ফোঙখি।

# 'মালেমদা রাস লীলা মশক তাক্তুনা লাক্লি'

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস): মালেমদা ঐখোয়গী রাস লীলা হায়বসি মশক তাক্তুনা লাক্লবনি হায়না মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী স্পীকর ৱাই খেমচান্দনা কথক উৎসব হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

কথক কেন্দ্র ন্যু দিল্লি অমসুং জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমী ইম্ফালনা শীন্দুনা একাদেমী অসিগী হোলদা পাঙথোকখিবা কথক উৎসব হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা স্পীকর ৱাই খেমচান্দনা হায়খি, কথক হায়বসি য়াওদ্রবদি ইন্দিয়ন কলচরদা মশক থোক্লোইদবা অমনি। কথক হায়বসি ইন্দিয়াগী ওইনা মশক থোকপা অমনি। মণিপুরগী রাস লীলা অসিসু মশক তাক্তুনা লাক্লবা অমনি। রাস লীলা য়াওদ্রবদি ঐখোয়গীসু মশক থোক্লোইদবা অমনি। উৎসব হায়বসি কলচরগী দিগনিটি অমসুং আইদেন্টিটিগী মফমনি। কালানা ঐখোয়গী শক তাক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা এ সী কথক কেন্দ্রগী চেয়রপর্সন কমলিনি অস্থানা, জে এম দি এগী চেয়রপর্সন প্রো. ঐচ তোম্বী অমসুং একাদেমী অসিগী দিরেক্তর এল উপেন্দ্রোসু শরুক য়াখি।

# ম্যান্মারগী মৈতৈশিংনা সনামহি কিয়োংদসু চত্তুনা য়েংখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্না শীন্দুনা থাসিগী ২১ দগী চথরক্লিবা মণিপুর শঙাই ফেষ্টিভেল ২০১৮ য়াওবা লাক্লিবা ম্যান্মারগী মৈতৈশিংসু ঙসি নোংপোক শেঞ্জেবমদা মীয়াম্না হরাও তয়াম্না ওকপগা লোয়ননা নোংমাইজিং চীংদা লৈবা সনামহি কিয়োংদা চত্তুনা থৌনিজখি।

মণিপুর প্রোলেটেরিয়েট পিপলস দেমোক্রেটিক য়ুনিয়ন (এম পি দি য়ু), সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (এস এস য়ু এম), সোসলিষ্ট ৱিমেন এসোসিএসন (এস দব্লিয়ু এ), প্রোলেটেরিয়ন ফেমেনিষ্ট মুভমেন্ট (পি ও এফ এম) অমসুং সোসল এথলেটিক দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (এস এ দি এম) শেঞ্জেম অনীনা শীন্দুনা নোংপোক নিংথৌ পালুংঙম্বা ইমা পান্থোইবীগী শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা ম্যান্মার মৈতৈশিং তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা অচম্বা খুদোল পোৎ অমদি মোমেন্টো পীদুনা পুক্লিং থৌগৎখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা এম পি দি য়ুগী সেক্রেটরি সোমানন্দনা হায়, লময়ানবা ইরাবৎনা পামজরম্বা অপুনবা মণিপুর অমগী পান্দম্না চোইন-চোইনা তাখ্রবা মৈতৈশিংবু পুন্ননবা অতোপ্পা লৈবাক অমদা লৈখ্রবা ম্যান্মারগী ইচল-ইনাওশিংনা মণিপুরদা লাকপদা হরাও-তয়াম্না ওকচবগা লোয়ননা চম্লবা চাক্লেন অমা চামিন্নবা অমদি খুদোল পোৎনচিংবা পীজবনি হায়খি।

মখা তানা নুংশি-চান্নবা অপুনবা অমা শাগৎনবগীদমক লময়ানা ইরাবৎনা য়াতাখিবা তাংবোদসু লময়ানবগী মীতম অমা থম্নবা হোৎনবদা ম্যান্মারদা লৈরিবা মৈতৈ ইচল-ইনাওশিংনসু মতেং পাংবিয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।


ম্যান্মারদগী লাক্লিবা মৈতৈশিংনসু অতোপ্পা লৈবাক অমদা লৈখ্রবা মখোয়না মখোয়গী হৌরকফম ওইরিবা মণিপুরদা লাকচবদা মীয়াম্না নুংশিনা লোইনবিবা অসিগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোক্লমখি।

# 'এম পি পিগী মীরেপ থাদোক্লোই'

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস): মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভাগী মীখলদা এম পি পিগী ওইনা আউটর অমসুং ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম পি পিগী মীরেপ থাদোক্কনি হায়বদু অরানবনি। এম পি পি অসি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদা রেজিষ্টর তৌরবসু অন-রিকোগনাইজ তৌদনা লৈরিবা পার্টি অমনি হায়না মণিপুর পীপলস পার্টিগী সেন্ত্রেল কম্মিটিগী মেম্বর এম তোতোমস্নানা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।



HL-P/2589/30,1-30 (Alt.)



HL-B/5019/23,25,27...



HL-P/5663/12/11-11/12(Alt.)



HL-B/5028/25/11-2/01